# টর্কিগী বোর্দর মনাক্তা আই এসনা বোম পোকখায়হন্দুনা য়ামদ্রবদা মীওই ২০ হাৎখ্রে




বৈরুট, ওক্টোবর ০৬ :
টর্কিগী বোর্দর মনাক নক্সা সিরিয়াগী অৱাং-নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা ভিলেজ অমদা ঙসি থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ২০ শিখ্রে। এটেক অদুদা শিখিবশিং অদুদা টর্কিনা শৌগৎপা ওপোজিসন ফাইটরশিংসু য়াওখি হায়না সিরিয়ন এক্টিভিষ্টশিংনা ফোঙদোকখি। এটেক অদু ইস্লামিক ষ্টেটনা মখোয়গী খুৎনি হায়না থুনা ক্লেম তৌরকখ্রে হায়রি।

শাথিরবা বোম্বিং অদুনা সিরিয়ন কনফ্লিক্ট অদুদা অরুবা মরোল কয়া লৈ হায়বদু তাকই। কনফ্লিক্ট অদুদা সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাশর অশাদকী ফোর্সশিং অমসুং মহাকপু মফমদগী চিংথুবা পাম্বা রেবেলশিংগী মরক্তা সিভিল ৱার অমা শোক্লবগা লোয়ননা মিলিটেন্টশিংগী লালহৌ অমসুং ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী মায়োক্তা ইন্টরনেসনেল লাল অমা শোক্লুরি।

বৃটেনদা বেজ তৌবা সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা হায়খি, অটমেহ ভিলেজগী ব্লাষ্ট অদু মশাদা এক্সপ্লোসিভ বেল্ট য়াওবা সুইসাইদ বোম্মর অমনা থোকহনখিবনি। গ্রাউন্দদা এক্টি-ভিষ্টশিংগী নেটৱার্ক অমগী খুত্থাংদা কনফ্লিক্ট অদুবু কূপ্না য়েংশিল্লিবা এক্টিভিষ্ট গ্রুপ অদুনা হায়খি মদুদি, মীওই ২০ শিখিবগা লোয়ননা অতৈ মীওই কয়াসু বোম পোকখায়বদুদা শোকখি।

লোকেল কোওর্দিনেসন কম্মিটি কৌবা অতোপ্পা গ্রুপ অমনা হায়খি মদুদি, ব্লাষ্ট অদু এক্সপ্লোসিভস থন্না য়াওবা বেগ অমনা থোকহনখিবনি। বেগ অদু বোর্দর ফাওবমগী সিরিয়াগী নাকল লোমদা পোকখায়খি। মদুদা ওপোজিসনগী সিনিয়র জুদিসিএল ওফিসল অনী য়াওনা মীওই ৩৫ শিখি।

ওবজার্ভেটরি অদুনা মখা তানা হায়খি, শিখিবশিং অদু হৌখিবা ওগষ্টতগী ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী মায়োক্তা টর্কিশ গ্রুপশিংগা লোয়ননা লাল শোক্লরকখিবা টর্কিনা শৌগৎপা ওপোজিসন ফাইটরশিংনি।

ওনলাইনদা থাদোরকখিবা অমেটর ভিদিও অমদা ক্লিনিক অমগী মপানগী লৈমায়দা অশিবা হকচাং ১৮ তাদুনা লৈবগী শক্তম উৎখি। অশিবা মীওই খরদি মিলিটরি য়ুনিফোর্ম শেৎপা উই। ভিদিও অদু অশেংবা মাল্লি অমসুং থৌদোক্কুগী মতাংদা এপিনা ফোঙবা অতৈ পাউগসু চানখি।

ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী ক্লেইমদা আই এসকা মরী লৈনবা অমাক ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি, অটমেহদা লৈবা বোর্দর ক্রোসিং পোইন্ট অমগী সিরিয়ন মায়কৈদা সুইসাইদ কার বোম্মর অমনা রেবেলশিংগী কনভোই অমদা মশা পোকখায়জদুনা এটেকচথুখি।

টর্কিগী দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর ন্যুমন কুরটুলমসনা ব্লাষ্ট অদুবু মিনুংশি হৈতবা এটেক অমনি হায়না ফোঙদোকখি। ‘মসিবু পাঙথোক্লিবশিংনা মীওইবা কাঙলুপকী মায়োক্তা ক্রাইম অমা লংশিনখ্রবনি’ হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# য়ু এনগী চীফ ওইগদৌরিবা এন্টোনিও গুটেরজনা পুকচেল শেংনা ৱাতেন্বা পাল্লি



য়ুনাইটেদ নেসন্স, ওক্টোবর ০৬ :
মথংগী য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল ওইরগনি হায়বগী চপ চাবা থাজবা লৈরবা পোর্টুগলগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর এন্টোনিও গুটেরজনা হায়রি মদুদি মহাক্না মবুকচেল শেংবা ব্রোকর অমা ওইবগা লোয়ননা অমগা অমগগী মরক্তা মরূপ-মপাং ওইবা মরী শাগৎপা অমসুং ইস্যু খুদিংমক্কী মতাংদা য়াশিন্নবগী কন্দিসনশিং পুথোকপা মীওই অমা ওইবা পামই।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা মত অমত্তা ওইনা শৌগৎপা ফোঙদোকখিবা ভেটরান পোলিটিসিয়ন অমসুং দিপ্লোমেট অসিনা মহাক্কী কেম্পেইন মনুংদা এসোসিয়েটেদ প্রেস অমসুং অতৈ ন্যুজ ওর্গনাইজেসন অনীনা লৌবা ইন্টরভ্যিু অমদা হায়খি মদুদি, করিগুম্বা মহাক্না ইস্যুশিং সোল্ব তৌবদা মতেং ওইনবা লৈবাক খুদিংমক্না থবক তৌমিন্নগনি।

গুটেরজনা কেন্দিদেট ওইনবগী মতাংদা হৌনবী মতুং ইন্না ভোট লৌননবা শগোলশেলগী অয়ুক্তা সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা ক্লোজ দোর মীটিং পাঙথোক্কনি। হৌজিক কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা রসিয়াগী য়ু এন এম্বেসেদর ভিটালি চর্কিননা গুটেরজবু বান কি মূনগী মহুৎ শিনবা অমা এপ্রুভ তৌগদবা মেম্বর ১৯৩ লৈবা জেনরেল এসেমব্লিদা কাউন্সিলনা ময়েক শেংনা রিক্কমেন্দ তৌগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি।

বান কি মূনগী অনীশুবা চহী ৫ গী টর্ম অদু দিসেম্বর ৩১ দা লোইগদবনি।

কাউন্সিলগী ইনফোর্মেল পোল তরুকমক্তা গুটেরজনা মকোক্তা লৈখি। জেনরেল এসেমব্লিদা ইহান হান্না পাঙথোকপা কেন্দিদেটশিংগী ৱাহং পাউখুমগী সেসন্দা উৎখিবা মহাক্কী পার্ফোমেন্সকীদমক্তা মহাকপু দিপ্লোমেট খুদিংমক্না থাগৎনখি হায়রি।

# হাইটি, ক্যুবাদা হরিকেন মেথিয়ু থুংখ্রে, য়ু এসতা মী ময়াম হোংদোকহনখ্রে

পোর্ট-ঔ-প্রিন্স, ওক্টোবর ০৬ :
হরিকেন মেথিয়ুনা অকনবা শাফুগা লোয়ননা হাইটিদা শিৎচিল্লকখিবদগী মীওই তরেৎ শিখ্রে, ঈচাউ কয়া থোকহনখ্রে অমসুং চহী ১০ মুক্কী মনুংদা শিৎলক্লিবা করিবিনগী খ্বাইদগী শাথিরবা নোংলৈ-নুংশিৎ অদু মীওই লিশিং কয়া ময়ুম-মকৈ থাদোকহল্লবা মতুংদা ক্যুবা পাংনা শিৎখ্রে হায়রি।

অৱাং পাংনা খরা থাপ্লা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতসু কোষ্টেল লমদমগী মীওই কয়া ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে। চয়োল অসিদা ইষ্ট কোষ্টতা য়ৌরক্লবা য়ারিবা কিনিংঙাই ওইরবা নোংলৈ নুংশিৎতুনা মফমশিং অদুদা য়ৌরক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা অহানবগী ওইনা মীশিংবু মফম হোংদোকহনখিবনি।

শিখিবা মীগী মশিং পুন্না তরেৎনি - হাইটিদা অহুম শিখি অমসুং দোমিনিকন রিপব্লিকতা মরি শিখি, তৌইগুম্বসুং খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা মেথিয়ুনা অৱাং পাংনা শিৎখিবগা লোয়ননা অশিবশিংগী মশিং শোয়দনা হেনগৎলক্কনি হায়রি।

মী অমদি পোৎ-চৈ অনীমক্কী ওইনা হরিকেন মেথিয়ুনা থোকহনখিবা অমাঙ-অতাগী চাং চপ চানা লেপ্পা লৈত্রি। হাইটিদা সিভিল প্রোটেক্সন ওফিসলশিংনা হায়খি মদুদি, মেথিয়ুগী কিনিংঙাই ওইরবা নুংশিৎ অমসুং নোংনা টেলিফোন লাইনশিং হুমদৎখিবদগী মখোয়না সাউথকা ঈ-পাউ ফাওননবা কন্না হোৎনখি।

থোং অমা নিংখাইখিবদগী সাউদর্ন হাইটি শেল্লিবা পেনিন্সুলা অদুগা পোর্ট-ঔ-প্রিন্সকা শম্নহল্লিবা অমত্তা ঙাইরবা লম্বী ককখ্রে।



‘মহুৎ শিল্লবা অতোপ্পা লম্বী অমা পুথোকপদা অৱাবা ওইদৌরি’ হায়না সিভিল প্রোটেক্সনগী স্পোক্সমেন ইদগর মেগেষ্টিন্না হায়খি।

খরা থেংনা ফংবা পাউগী মতুং ইন্না, হাইটিদগী অৱাং পাংনা শিখিবা হরিকেন মেথিয়ু ঙসি নুংথিল ক্যুবাগী নোংপোক থংবা চিদাইদা হিট তৌখ্রে।

নোংলৈ-নুংশিৎ অদু জি এম টি ০০০০ দা কংফালগী শরুক য়ৌখি অমসুং পুংদা কিলোমিটর ১৫ গী চাংদা অৱাং পাংনা শিৎখি হায়না য়ু এসকী নেসনেল হরিকেন সেন্টরনা হায়খি।

নোংলৈ নুংশিৎ অদুগী অশাউবদু করম তৌবগে হায়বদু থেংনন-বগীদমক্তা অমেরিকানশিংসু শেম শাখ্রে। সাউথ কেরোলিনানা হায়খি, য়ুমশকৈশা নুমিৎতগী মীওই মিলিয়ন ১.১ ঈশিং মপান্দগী মফম হোংদোক্লগনি অমসুং মখোয় য়ামদ্রবদা কিলোমিটর ১৬০ মনুং হঞ্জিন্না থমগনি। জোর্জিয়ানসু কাউন্টি ১৩ দা ষ্টেট ওফ ইম্মরজেন্সি লাউথোকখ্রে।

নোংঙানবা মতুং পংকান কান্নদনা য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা কেটেগরি মরিগী নোংলৈ নুংশিৎ ওইনা হাইটিদা মেথিয়ু থুংখি। পুংদা কিলোমিটর ২৩০ গী নুংশিৎকী খোঙজেলগা লোয়ননা শাথিরবা নোংলৈ-নুংশিৎ অদু সাউর্থ-ৱেষ্টর্ন টাউন গেস এংলাইসকী মনাক্তা থুংখি হায়না য়ু এস নেসনেল হরিকেন সেন্টরনা ফোঙদোকখি।

কেটেগরি মরিগী নোংলৈ-নুংশিৎ অমনা হাইটিগী কংফালগী শরুক্তা থুংলখিবসি চহী ৫২ গী মনুংদা ইহান হানবনি। ক্যুবাগী মতুংদা নোংলৈ-নুংশিৎ অদু য়ুমশকৈশা নুমিৎতা বাহামাস য়ৌবা য়াই হায়না ফোরকাষ্টরশিংনা ফোঙদোকখি।

# ইজরেলনা ৱেষ্ট বেঙ্কতা অনৌবা য়ুমশিং শানবগী থৌরাং য়ু এসনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

ৱাশিংটন, ওক্টোবর ০৬ :
ৱেষ্ট বেঙ্ককী মনুং হঞ্জিনবা মফমদা ইজরেলনা অনৌবা সেট্টলমেন্ট য়ুম চা কয়া শাননবা পায়খৎলকপা থৌরাংবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা য়ু এসনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ইজরেলবু থাজবা মাংহল্লি হায়না মরাল শীখ্রে।



প্রসিদেন্ট বারাক ওবামানা ইজরেলদা পীগদবা মিলিটরি তেংবাঙগী পেকেজ ওইনা য়ু এস দোল্লর বিলিয়ন ৩৮ এপ্রুভ তৌখিবা অমসুং হান্নগী ইজরেলি প্রসিদেন্ট সিমোন পেরেসকী লৈরোল চনবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা মতুং নুমিৎ খরনি প্রোগ্রাম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি। অনৌবা সেট্টলমেন্টগী প্রোগ্রাম অদুগী মখাদা ইজরেলদগী জোরদনগা হেন্না নকশিন্নবা লমগী শরুকশিংদা হাউসিং য়ুনিট ৩০০ শাবা য়াওরি।

অনৌবা য়ুমশিং শাবগী ৱারেপ অদুনা মিদ্দল ইষ্টতা পিছ লিংবগী ৱাফম হান্নদগী হেন্না ফীভম লুশিনহনগনি লোয়ননা ইজরেলগী সিক্যুরিটিদসু অকায়বা পীগনি হায়না চেকশিন-ৱা পীরদুনা প্রেস সেক্রেটরি জোশ আর্নেষ্টনা প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম কদায় ফাওবা থাজবা য়াবগে হায়বগী ৱাফম লাকই হায়খি। ‘নৌনা লাউথোরক্লিবা ৱাফম অসিগা পুংওন ওন্না-তৈনবা মওংদা ইজরেলি গভর্ণমেন্টগী মায়কৈদগী ঐখোয়দা থাজবা কয়া পীরকখি’ হায়না মহাক্না হায়খি।


‘অফবা মরূপ-মপাংশিংনা করম্না অমগা অমগা ত্রিট তৌনবগে হায়বগী ৱাফম অসি ঐখোয়না তরাইনা লৌবা য়ারক্তে।’

ওবামানা লাক্লিবা জন্যুৱারী থাদা ওফিস থাদোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা হ্বাইট হাউসনা মিদ্দল ইষ্টকী পিছ প্রোসেস খুমাঙ চাউশিন্নবা অরোইবা ওইনা হোৎনরকপগা চাননা মহৌশাদগী হেন্না কনবা কম্মেন্টশিং অসি ফোঙদোরকখি।

হকচিনবা মওংদা ৱারী শান্নরকপগী ৱাফম হৌজিকমক্কী ওইনা ওইথোক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈত্রবসু পিছ পুরক্লবা হোৎনবদা চঙগদবা মচাকশিং হান্না ময়েক শেংনা থম্ফম থোকই হায়না য়ু এসকী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৪ গী এপ্রিলদা য়ু এসনা লুচিংদুনা লৌখৎখিবা ইনিসিয়েটিভ ফেল ওইখিবগী মিদ্দল ইষ্টতা পিছ পুরক্লবা হোৎনবশিং কান্নবা ইফং ফংদনা লাকখি।

# প্রসিদেন্ট দ্যুটর্টেবু মীয়াম্না য়াবগী চাং ক্রাইম ৱারনা হেনগৎহল্লে : পোল



মনিলা, ওক্টোবর ০৬ : ক্রাইমগী মায়োক্তা চঙশিনবা মহাক্কী শাথিরবা লাঞ্জংবু ফিলিপিনোশিংনা শৌগৎলি হায়বা উৎপগী মওংদা ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দ্যুটর্টেবু মীয়াম্না পাম্নবগী চাং মহাক্না ওফিস পায়বা অহানবা থা ৩ গী মনুংদা হেনগৎখি হায়বসি ইন্দিপেন্দেন্ট সর্ভে অমনা উৎখ্রে।

ঙাকশেলগী লমদা মীচং ওইরিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, য়ুনাইটেদ নেসন্স অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না মালেমগী লৈবাকশিংগী মকোক চিংদুনা মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা দ্যুটর্টেনা ক্রাইমগী মায়োক্তা চথরকখিবা ক্রেকদাউন অদুবু কন্দেম তৌখি।

মহাক্কী লাঞ্জং অদুদা মীওই ৩০০০ হেন্না শিখ্রে অমসুং মদুনা লোনা য়াদবা মওংগী মীহাৎশিং পাক-শন্না চথরকপা য়াবগী অকিবা পোকহনখি।

অদুম ওইনমক সোসল ৱেদর ষ্টেসনশিংনা মোত লৌবদা ফিলিপিনো চাদা ৭৬ না দ্যুটর্টেগী পার্ফোমেন্সতা অপেনবা ফোঙদোকখি, চাদা ১১ খক্না মহাক্কী খোঙথাং অদুদা পেন্দে হায়খি অমসুং অতৈনা হীরম অসিগী মতাংদা তাংদাংবা ৱারেপ লৌখিদে। ‘প্রসিদেন্টগী অহৌবা থবক য়াম্না ফবা মাল্লি’ হায়না সর্ভে অদুবু য়েংখিবা মহাক্কী স্পোক্সমেন অর্নেষ্টো অবেলানা পাউমীশিংদা হায়খি। ‘মীশিংনা মহাক্না তৌরিবসিদা থাজে হায়না অবেলানা ফোঙদোকখি।

মনিলাদা বেজ তৌবা পোলিং গ্রুপ অদুনা সেপ্টেম্বর ২৪ দগী ২৭ ফাওবা লৈবাক শিন-থুংনা এদল্ট ১২০০ সর্ভে তৌখি। মখোয়দা দ্রগকী লাল অদুগা মরী লৈনহন্দনা ইচম চম্না লৈবাক্তুগী প্রসিদেন্ট ওইনা দ্যুটর্টেগী পার্ফোমেন্স করম্না তৌবগে হায়না হংখি।

মেগী মীখল মতুংদা হন্দক্কী পোল অসিনা মহাকপু শৌগৎপগী চাং য়াম্না ৱাংলে হায়বসি উৎখ্রে। মীখল অদুদা মহাক চাউনা মায় পাকখি হায়না লৌনখি তৌইগুম্বসুং মহাক্না মীখলদুদা ভোট চাদা ৩৭.৬ তমক ফংখি।

# কুন্দুজদা আর্মিনা টালিবানগা মখা তানা খুৎ থোক্লরি



কাবুল, ওক্টোবর ০৬ :
থংন-থংননা অহুল্লকশুবা নুমিৎ ওইনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা অফঘান ফোর্সশিংনা নোদর্ন সিটি কুন্দুজদা টালিবানগা লাল শোক্লখ্রে। চয়োল অসিদা লালহৌবশিংনা সিটি অদুদা মায়কৈ কয়াদগী এটেকশিং চথুখিবা মতমদা অমেরিকান হেলি-কোপ্টরশিংনা গ্রাউন্দদা ক্রুপশিংবু সপ্পোর্ট তৌখি।

চহী ১ গী মমাঙদা মতম পংকুই কুইদনা টালিবানগী খুৎতা তাখিবা কুন্দুজ সিটিগী লাল অদু অফঘানিষ্টানগী লিদরশিং অমসুং লৈবাক ৭০ হেনবগী ওফিসলশিংনা ব্রসেলজদা পুল্লিঙৈগী তাল্লক্তা শোক্লরিবনি।

মতীক ময়াই কল্লবা টালিবান লালহৌ অমসুং শেঞ্জা-থুমজা মায়োক্লরিবা শেল লৈমন্দবনা ঙাউরবা কাবুল গভর্ণমেন্টগীদমক্তা দোল্লর বিলিয়ন কয়াগী শেনফমশিং মালেমগী লৈবাকশিংদগী খোমগৎনবগীদমক্তা ব্রসেলজদা অফঘান লীদরশিংনা লৈবাক ৭০ হেনবগা ওফসলাশিংগা উনখিবনি।

অফঘানিষ্টানবু লৈবাক অমা ওইনা হিংদুনা লৈহন্নবগীদমক্তা মালেমগী পৱারশিংনা ফন্দশিং চেনখৎনবগী ৱাফম খন্নরিঙৈদা টালিবান গনমেনশিংনা অফঘান ফোর্সশিংদা অনৌবা এটেক কয়া চথুখ্রে। প্রোভিন্সিয়ল পুলিস চীফ অফঘান জেনরেল কাসিম জনগলবাখনা হায়খি মদুদি, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অঙনবদা কুন্দুজদা টালিবান মিলিটেন্টশিংনা অফঘান ফোর্সশিংদা ইনৌ নৌনা এটেক তৌখ্রে।

‘সিটি অদুগী মনুংদা টালিবানশিং তকথোকপগী ওপরেসনশিং হৌখ্রে তৌইগুম্বসুং সিটিগী চিদাইশিংদা মখা তানা খুৎ থোক্লরি। ‘লালহৌবশিংগা অমুক হন্না ঐখোয়গী ফোর্সশিংদা মায়কৈ অনীদগী এটেক চথরকখ্রে, সিটি অদুগী খা অমসুং নোংপোক্তা অকনবা লাল শোক্লরি’ হায়না জনগলবাখনা হায়খি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা কুন্দুজদা চঙশিন্দুনা মরু ওইবা লম্বী ফাংনফমদা মখোয়গী ফিৱাল ঙাইহাক হাইগৎখিবা টালিবান মিলিটেন্টশিং মফম অদুদগী তকথোকখি তৌইগুম্বসুং মখোয়না অদু মী লৈবা য়ুমশিংদা চঙশিন্দুনা লৈখি অমসুং অফঘানশিংগী কাউন্টর ওফেনসিভশিং তপথহনখি।

য়ুমশকৈশাদা সিটি অদুগী এরিয়া কয়া পায়শিন্নবা লাল শোক্লরিবা অফঘান ফোর্সশিংবু য়ু এস মিলিটরিনা এয়র সপ্পোর্ট পীখি হায়না য়ু এস আর্মিগী বৃগেদিয়র জেনরেল চার্লি ক্লীভলেন্দনা হায়খি।



HL-B/3329/20/09-19/10

# EMPLOYMENT NEWS

## Staff Selection Commission – SSC Recruitment 2016 – Junior Engineer (Civil, Mechanical, Electrical, Quantity Surveying & Contract) Examination 2016 – Last Date 28 October

**SSC Recruitment 2016**
Staff Selection Commission (SSC) invites applications for the post of Junior Engineer (Civil, Mechanical, Electrical, Quantity Surveying & Contract) Examination 2016. Apply Online before 28 October 2016.

**Advt No. : 3/7/2016- P&P-II**
**Job Location : All India**
**Job Details :**
Post Name : Junior Engineer (Civil, Mechanical, Electrical, Quantity Surveying & Contract) Examination 2016
No of Vacancy : Not Specified
Pay Scale : Rs. 9300-34800/-
Grade Pay : Rs. 4200/-
**Details of the Posts :**
Junior Engineer (Civil) (Central Water Commission)
Junior Engineer (Mechanical) (Central Water Commission)
Junior Engineer (Civil) (CPWD)
Junior Engineer (Electrical) (CPWD)
Junior Engineer (Civil) (Department of Post)
Junior Engineer(Civil) (MES)
Junior Engineer (Electrical and Mechanical) (MES)
Junior Engineer (Quantity Surveying and Contract) (MES)
Junior Engineer (Civil) Farrakka Barrage (Project
Junior Engineer (Mechanical/ Electrical) Farrakka Barrage (Project)
Junior Engineer (Civil) (Central Water Power Research Station)
Junior Engineer (Electrical) (Central Water Power Research Station)
Junior Engineer (Naval Quantity Assurance) (Mechanical) (Dte. of Quality Assurance (Naval))
Junior Engineer (Naval Quantity Assurance) (Electrical) (Dte. Of Quality Assurance(Naval))
**Eligibility Criteria for SSC Recruitment :**
Educational Qualification : Diploma in Civil / Electrical/ Mechanical Engineering from a recognized University or Institute OR Degree in Civil// Electrical/ Mechanical Engineering from a recognised University
Nationality : Indian
**Age Limit : As on 01.08.2016.**
For Post No. 01 to 04 : 32 years
For Post No. 05 & 08 : 18 to 27 years
For Post No. 06 & 07, 09 to 14 : 30 years
**Age of Relaxation :**
SC & ST Category : 5 years
OBC-NCL Category : 3 years
Ex-Servicemen Category : 03 years
**Selection Process :** Selection based on Computer Based Written Exam & Skill Test.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs. 100/- through net-banking/credit cards or debit cards or cash through SBI bank challan. Women candidates and candidates belonging to Scheduled Caste, Scheduled Tribe and Ex-Servicemen eligible for reservation are exempted from paying fee.
**How to Apply SSC Vacancy:** Interested candidates may apply Online through SSC website www.ssconline2.gov.in OR http://sscregistration.nic.in. from 01.10.2016 to 28.10.2016 (Part-I) and up to 31.10.2016 for Part-II.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission Of Online Application : 01.10.2016
Last Date For Submission of Online Application (Part-I) : 28.10.2016
Last Date For Submission of Online Application (Part-II) : 31.10.2016
Date of Written Examination : 03.12.2016 to 05.12.2016
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://ssc.nic.in/SSC_WEBSITE_LATEST/notice/notice_pdf/notice_JE_30092016.pdf
Apply Online : http://ssconline.nic.in/jeregistration/

## Rajasthan Subordinate & Ministerial Services Selection Board – RSMSSB Recruitment 2016 – 3948 Gram Sevak and Panchayat Secretary & Hostel Warden Vacancies – Last Date 31 October

**RSMSSB Recruitment 2016**
Rajasthan Subordinate & Ministerial Services Selection Board (RSMSSB), Jaipur invites application for the post of 3948 Gram Sevak and Panchayat Secretary & Hostel Warden. Apply Online before 27 October 2016.
**Job Details :**
Post Name : Gram Sevak and Panchayat Secretary
No. of Vacancy : 3648 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs.2400/-
Post Name : Hostel Warden
No. of Vacancy : 300 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs.2400/-
**Eligibility Criteria for RSMSSB Recruitment :**
Educational Qualification : Candidates should have Any Degree form Recognized University and DOEACC ‘O’ Level Certificate/ RS-CIT.
Nationality : Indian
**Age Limit : As on 01.01.2017**
For Gram Sevak and Panchayat Secretary : 18 to 35 years
For Hostel Warden : 21 to 35 years
**Age Relaxation :**
For SC/ ST/ OBC/ Special BC & General Female candidates : 5 years
For all Reserved categories Female candidates : 10 years
**Job Location : Rajasthan**
**Selection Process :** Selection will be made on through Written Examination.
**Application Fee:** Candidates belongs to General & BC (Creamy layer)/ Special BC category have to pay Rs.650/- and Rs.450/- for Non Creamy layer BC & Special BC candidates of Rajasthan and Rs.350/- for SC/ ST candidates of Rajasthan. Fee can be paid through e-Mitra/ CSC or Net Banking/ ATM cum Debit Card or Credit Card.
**How to Apply RSMSSB Vacancy :** Candidates are required to apply online through website rsmssb.rajasthan.gov.in from 01.10.2016 to 31.10.2016.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission Of Online Application : 01.10.2016
Last Date For Submission Of Online Application : 31.10.2016
Last Date for Payment of Fee : 31.10.2016
Date of Written Examination : 18.12.2016
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://rsmssb.rajasthan.gov.in/Static/files/Full%20advertisment%20of%20Gram%20Sevak%20and%20Hostel%20Warden%20Recruitment.pdf
**Apply Online :** https://www.sso.rajasthan.gov.in/signin